ঙসিগী রাশি ফল

মেষ : ফম কাবা, ৱাখল নুংঙাইবা, শেল ফংবা নুমিৎনি।
বৃষ : লুহোং-খোংদোংবা তৌবা, মচা, লল ফংবা নুমিৎনি।
মিথুন : মরুপ মপাংগা পুন্না মরৈ তৌনবা নুমিৎনি।
কর্কট : অহাও-অথুম চাবা, নুংঙাইবা নুমিৎনি।
সিংহ : ৱাখলনা তুম্বা য়াদবা, থবক তৌদবা নুমিৎনি।
কন্যা : মচা, মশু ফংবা, মরী মতা চাওবা নুমিৎনি।
তুলা : পুং-ঈশৈ তৌবা কান্নবা, শেল ফংবা নুমিৎনি।
বৃশ্চিক : মথৌ য়াম্না চিনবা, থৌদোক য়াম্বা নুমিৎনি।
ধনু : ৱানোম্বা মায় পাকপা, ফম কাবা নুমিৎনি।
মকর : মথৌদা পুক্নিং চংবা, ৱাখল নুংঙাইবা নুমিৎনি।
কুম্ভ : লম-তু চৎপা অনৌবা মরুপ উন্নবা নুমিৎনি।
মীন : ফি, ফৌ, ঙাগী করবারদা শেল তোংবা নুমিৎনি।

অঙাং ২ নেস্লেল এৱার্দ ফংলে

ইম্ফাল , দিসেম্বর ১১ঃ য়াইস্কুল হিরুহঞ্জবা লৈকাইদা লৈবা মাষ্টর গুরুময়ুম তুলাদেবা শর্ম্মা অমদি কৈশামথোং হোদাম লৈরক্তগী মাষ্টর লৈশাংবম ব্রেন্সন সিংহ অনিনা কুমসি চহীগী ওইনা নেস্লেল ব্রেভরি এৱার্দ ফংলে।

মাষ্টর গুরুময়ুক তুলাদেবা শর্ম্মনা ঈশিংদা ইরাক্লবা অঙাং অমা কনবগীনি। অদুগা মাষ্টর লৈশাংবম ব্রেন্সন সিংহনা মৈনা চিংবদগী অঙাং অমা কনবা ঙমখিবদগী এৱার্দ অসি ফংবনি। মনাশিং অসি ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টরনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা রি-পব্লিক দেগা মাংওইননা মনা অসি দিল্লিদা পীগনি। অদুগা মখোয় অনিমক রি-পব্লিক দেগী থৌরমদা শরুক য়াহনগনি হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল ফোর চাইল্ড ৱেলফেয়ারগী চেরোল অমনা হায়রি।

য়ুনিট হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল , দিসেম্বর ১১ঃ এ আই এস এফ মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল লেনিন অমদি ফাইনান্স সেক্রেটরি কে ঐচ রামেশ্বর অনিগী মীৎয়েং মখাদা এ আই এস এফ লিলোং হাওরৈবী কলেজগী য়ুনিট অমা ঙসি হাংদোকখ্রে। মসিগা লোয়ননা মীওই ১০ না শাবা একজিক্যুটিভ মেম্বর কম্মিটি খনখিবগা লোয়ননা য়ুনিট অসিগী থৌ পুগদবা মীওই ৬ খনখ্রে। খল্লবশিং অদুগী মনুংদা নৱাজনা প্রসিদেন্ট, ফরিদ অলিনা সেক্রেটরি অমদি এম দি হামীদুরনা ত্রেজরর ওইনা থৌ পুরগনি হায়না এ আই এস এফ মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী চেরোল অমনা হায়রি।

প্রিপেদ কাউন্টর হাংলগনি

ইম্ফাল , দিসেম্বর ১১ঃ ইলেক্ট্রিকেল সার্কল নম্বর ৱানগী ওইনা ইলেক্ট্রিক কঞ্জুমরশিংগী প্রিপেদকী পৈশা থিনবা কাউন্টর কৈশামপাৎ ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টতা হয়েংদগী হাংলগনি। প্রিপেদ ইলেক্ট্রিক কঞ্জুমরশিংনা মশা মশাগী প্রিপেদ কনেক্সনগী শেনফম থিদোকপা হয়েং অয়ুক পুং ৭ তগী নুমিদাংৱাইম পুং ৬ ফাওবা য়ারগনি হায়না ইলেক্ট্রিকেল সার্কল নম্বর ৱানগী জেনরেল মেনেজর কে ঐচ খম্বগী চেরোল অমনা খঙহল্লি।

লৌফম মুনবীগনু

ইম্ফাল , দিসেম্বর ১১ঃ লৌফম কনবা লুপ শওম্বুংগী লৌমীশিংনা হন্দক মণিপুর সরকারনা এফ সি আই গোদাউন শানবগীদমক বিরমঙ্গল কলেজ শওম্বুংগী অৱাংদা লৈবা লৌফম কয়া লৌশিল্লগনি হায়না থোরক্লিবা ওর্দর অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। লৌমীশিংগী হিংনবগী পুন্সি ওইজরিবা লৌফম লৌশিনবগী খোঙফম অসি মণিপুর সরকারনা হন্দোকপীয়ু। লোয়ননা লৌমীশিংগী খুৎতগী সরকারনা লৌফমশিং মুনবীগনু হায়না লৌফম কনবা লুপ শওম্বুংগী চেরোল অমনা হায়রি।

থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল , দিসেম্বর ১১ঃ হৌখিবা দিসেম্বর ১০ গী অয়ুক পুং ১০ তাবদা দি তেম্পল ওফ য়ুনিভর্সেল পিছ এৱার্নেস কম আর্ট এন্দ কলচরেল একাদমি থৌবালগী শঙলেন্দা ৱাইল্ড লাইফ হেবিটেদ কনবা অমদি ঈশিং থক্লরিবা তুখোংতু রেলদা অমোৎ-অকাই লংথনবগী পান্দমদা রতন লৈশাংথেম্না ইবা ড্রামা 'পোলোইদা খঙলে' হায়বসি হৌনবী মতুং ইন্না থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ড্রামা লাইরিক অসি য়ুনেসকো পেরিসকী মখাদা থিয়েটর মুভমেন্ট কতক ওরিশানা শিন্দুনা মথং চহী জনুৱারী ২০ দগী হৌরগা ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা শরুক য়ারুগনি হায়রি।

শেরাম মঙ্গিনা লৈখিদবগী ২ রক শুবা নিংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল , দিসেম্বর ১১ঃ ওল ইন্দিয়া রেদিও (এ আই আর) গী নিয়ুজ ইদিটর ওইরম্বা শেরাম মঙ্গিনা লৈখিদবগী ২ রক শুবা নিংশিং থৌরম ঙসি নুংথিল জে এন মণিপুর দান্স একাদমিদা পাঙথোকখ্রে।

শেরাম মঙ্গি ফাউন্দেসন, ইম্ফালনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইমিনেন্ট লিরিসিষ্ট অমদি রিটয়ার্দ এসিষ্টেন্ট ষ্টেসন দিরেক্তর, এ আই আর ইম্ফাল বি জয়েন্তাকুমার শর্ম্মা, ইমিনেন্ট রাইটর অমদি দি দি কে ইম্ফালগী রিটয়ার্দ দিরেক্তর শগোলশেম ইন্দ্রকুমার, রিটয়ার্দ নিয়ুজ রিদর, এ আই আর ইম্ফাল এ কামসন অমদি ইমিনেন্ট রাইটর অমসুং মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱুমেনগী ফোর্মর চিয়ারপার্সন ডা: সি ঐচ জামিনিনা প্রিসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট অমদি জেনিমসকী ফোর্মর মেদিকেল শুপরিনটেন্দেন্ট ডা: খোমদোন লীশমনা শেরাম মঙ্গিগী মরমদা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অদুদা ঙাংখিবশিংনা শেরাম মঙ্গিনা হিংলিঙৈদা তৌরম্বা থবক থৌরমশিংবু শিংথারদুনা মহাকুম্বা মীশক অমা লৈখিদবা হায়বসি লমদম অসিগী ওইনসু মাংজবা অমনি হায়না ফোঙদোক্লখি।

শেরাম মঙ্গি সিংহ মায়থোং য়াম্বা মশাদা এক্সত্রা ওর্দিনরি অমা য়াওজবা মীশক অমনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হিংলিঙৈদা আর্ট এন্দ কলচর, ইন্দিজিনিয়স গেমস, মণিপুরী লোল চাওখৎহন্নবা আর্টিকিল কয়া অমসু ইখিবা এদুকেস্নেলিষ্ট অমসুনি হায়দুনা শিংথানখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা অনিরকশুবা শেরাম মঙ্গি সিংহ মেমোরিয়েল লেকচর 'নট সংঙ্কিতন এন্দ ইটস কন্ত্রিব্যুসন টু মণিপুরী কলচর' হায়বসিদা এম যুগী দিপার্টমেন্ট ওফ এন্থ্রোপোলোজি দিপার্টমেন্টকী প্রো: এম সি অরুননা ৱা ঙাংখি।

লোয়ননা চহী অসিগী ওইনা কলচরদা পীবা শেরাম মঙ্গি সিংহ মেমোরিয়েল এৱার্দ ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপালদগী পুংগী ওঝা অকোইজম ইবোমচাদা খুৎশিন্নখি। এৱার্দ অদুদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫ অমদি সাইটেসন পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

ত্রিপুরাদা নুপী লাল থৌরম পাঙথোক্কনি

আগর্টলা , দিসেম্বর ১১ঃ ত্রিপুরাগী কোনুং আগর্টলা সিটিগী ফ্রেন্বার ক্লবতা আর কে প্রফুল্লাজিৎ সিংহ আগর্টলা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মায়োর অমদি লাইশ্রম সোতিনকুমার জেনরেল সেক্রেটরি ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেস মণিপুরনা মীফম মপু ওইদুনা ৭৫ শুবা নুপী লাল (মনিমুক্তা ফুদোংবা চহী) আগর্টলাদা পাঙথোক্লগনি।

নুপী লাল থৌরম পাঙথোক্লবীগীদমক দিসেম্বর ১০ দা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা সোতিনকুমারনা হায়, নুপী লাল থৌরম চহী অসিগী মনুংদা অসামগী মণিপুরী তবা মফমশিং অমদি বঙ্গলাদেস, ম্যান্মারগী মন্দলেনচিংবা মফম কয়াদা মখা তনা নুপী লালগী থৌরম পাঙথোক্লবা শেম শাবা লোইরে হায়খি।

দিসেম্বর ১০ গী অয়ুক্তা হিজম ইরাবত সরানিগী কল্যনি ক্রোশিংদা খিল্লিবা জননেতা ইরাবতকী মীতমদা নুপী লালগী লময়ানবা ইরাবতপু ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা হৈকৎ-লৈকৎ তমখি। থৌরম অদুদা এন সি পিগী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাই ইবোয়াইমা, ফোরবার্দ ব্লোক্কী জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ গ্যানেশ্বর, মণিপুর সাহিত্য পরিষদ ত্রিপুরাগী জেনরেল সেক্রেটরিনচিংবশিং শরুক য়াখি হায়রি।

শেকমাইদসু আয়ুশকী লেম্না লায়েংবা কেম্প পাংথোকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল দিসেম্বর ১১ঃ মণিপুরগী কাচিন কোয়া শিঙ্গুংনা চথরকপা প্রোগ্রামগী শরুক ১ ওইনা শিংজমৈ সুপর মার্কেটকী অরবান হেলথ সেন্টর কমপ্লেক্সতা লৈবা ইন্দ্রিগ্রেটেদ আয়ুশ হোস্পিটাল অমদি সেকমাই য়ুথ প্রোগ্রেসিভ এসোসিএসন ২ খুৎশম্নুনা শিন্দুনা মমাং থাগী ২৯ দা সেকমাই খুন্নৌ কাংজৈবুং অপর প্রাইমারি স্কুলদা নোংমগী ওইবা আয়ুশকী লেম্না লায়েংবগী কেম্প পাংথোকখ্রে। কেম্প অদুদা আয়ুশকী অখং অহৈ দাক্তরশিংনা মীওই ২৫০ রোম লেম্না লায়েংবগা লোয়ননা লায়েংবা লাকপশিংদা দরকার ওইবা হিদাক লাংথক ফাওবা লেম্না য়েহোকখি। অলত্রা সাওন্দ ১দি ব্লদ সুগর টেষ্টনচিংবগী দরকার ওইবা মীওইশিংদসু লেম্না চেক তৌখি হায়রি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, Waikhong

Mutation Case No. 465/SDC/Waikhong

1) Moirangthem Manglem Singh, S/o (L) Sanakhomba Singh of Pangantabi, 2) -do- Thambou Singh, S/o -do- of -do-
. . .Petitioner

-Vrs-

(Late) Moirangthem Sanakhomba Singh, S/o (L) Khomdon Singh of Pangantabi.
. . . O.P

NOTICE

Waikhong 5/12/2014

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Village No. 88-Nungu Wapokpi দা লৈবা পাট্টা নং: ২০০ (অনৌবা) ককচিং তহশিল দাগ নং: ১১২৪ এরিয়া ১.১২ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে মরম অদুনা মহাক্কী মচানিপা অনিদা মিং ওনবীয়ু হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে। মসিদা কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংলবদি পাউ চেদা ফোংখিবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭(তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা ওফিস মতমদা অইবা চেনা Objection তৌরকপা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না মিং ওনখিনবগী Process তৌখ্রগনি লোয়ননা মতুংদা লাকপা আপতি Waikhong S.D.C Office না লৌররোই।

Sd/-**Sub-Deputy Collector,**
Waikhong

NT/62872/12(Dec)

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST-PATSOI

Ref: Mutation Case. No. 838/SDC/IW(P) of 2014

Shri Salam Pradeep S/o Salam Dwijamani Singh of Sagolband Sayang Road.
... Petitioner

-Vrs:-

(L)Loukrakpam (N) Salam (O) Lalitabi Devi W/o Salam Dwijamani Singh of Sagolband Sayang Road.
...Deceased Pattadar

NOTICE

12/12/2014

Under Section 46 (3) of M.L.R. & L.R. Act,1960 গী মতুং ইন্না খবরগী খুৎথাংদা খঙহঞ্জরি। ই:ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ৮০- পাৎশোইগী পাট্টা নম্বর ৮০ / ৩৩ (অরিবা) ৯৬ / ৭৯০ (অনৌবা) দাগ নম্বর ১৫২ / ৩৭৬ গী পোইন্ট ১.৬৩ একর চাওবা অঙনফৌগী অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা দংকারিশিং অসিনা মহাক্কী / মখোয়গী স্বত্তনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্টতা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা / লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ১৯-১২-২০১৪ ইং গী অয়ুক্কী পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হৌনবী হুকুম চৎথরগনি।

Sd/- **(K. Jadumani Singh)**
Sub-Deputy Collector
Imphal West, Patsoi

NT/562882/12

PIS Brick Field (Mechanised)　BRICK SAMPLE
[illegible] (From time to time change)
HAVEY DISCOUNT ON 2ND & 1ST REJECT CLASS

Class	Rate	Brick	Amount	Gari Charge	Labour	Total
1st	Rs.8.80	3000	Rs.26,400	Rs.3,000	Rs.600	Rs.30,000
1st	Rs.8.80	2000	Rs.17,600	Rs.2,000	Rs.400	Rs.20,000
1st	Rs.8.80	1500	Rs.13,200	Rs.1,500	Rs.350	Rs.15,050
2nd	Rs.8.00	3000	Rs.24,000	Rs.3,000	Rs.600	Rs.27,600
2nd	Rs.8.00	2000	Rs.16,000	Rs.2,000	Rs.400	Rs.18,400
2nd	Rs.8.00	1500	Rs.12,000	Rs.1,500	Rs.350	Rs.13,850
1st Rej	Rs.7.00	3000	Rs.21,000	Rs.3,000	Rs.600	Rs.24,600
1st Rej	Rs.7.00	2000	Rs.14,000	Rs.2,000	Rs.400	Rs.16,400
1st Rej	Rs.7.00	1500	Rs.10,500	Rs.1,500	Rs.350	Rs.12,350
Peti	Rs.6.50	3000	Rs.19,500	Rs.3,000	Rs.600	Rs.23,100
Peti	Rs.6.50	2000	Rs.13,000	Rs.2,000	Rs.400	Rs.15,400
Peti	Rs.6.50	1500	Rs.9750		Rs.1,500	Rs.350
Rs.11,600						
3rd	Rs.3.50	3000	Rs.10,500	Rs.3,000	Rs.600	Rs.14,100
3rd	Rs.3.50	2000	Rs.7, 000		Rs.2,000	Rs.400
Rs.9,400						
3rd	Rs.3.50	1500	Rs.5, 250	Rs.1,500	Rs.350	Rs.7,100

Contact: 9856052197 / 9862048579 / (Sunday closed & Phone switch off)
Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.
NT/58198/29-31(Dec)(alt).

উমং লাইগী ৱাথোক পন্দিট লোইশঙনা দাইত্য লৌগদবনি: *লুপ*

ইম্ফাল , দিসেম্বর ১১ঃ লমদম অসিদা নৎতনা মফম কয়াদা খুন্দারিবা মৈতৈশিংনা মপা-মপু মক্লি খন্দুনা ইরাৎ থৌনি তৌনরিবা উমং লাই অমদি লাই হরাওবগী মতমদা থোকহন্নিংদবা লৈবাক ৱাথোক কয়া থোরকপা তারবদি গোবিন্দজি তেম্পল বোর্দকী পন্দিট লোইশঙনা দাইত্য পুগদবনি হায়না মৈতৈ ইনাৎ শেমগৎ লুপ চনম শহোক্কী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, ফুরুপ অসিগী মপাল মউ লীংলবা নাৎকী চৎনবী অসিবু মণিপুর পন্দিট লোইশঙনা লান্না চিরোল তৌদুনা মপু ওইননবা হোৎনবদগী ৱাথোক অসি থোরকপনি। নিংথিনা মফম চাবা অমদা খন্ন-নৈনরগা ফনবা অমদি ফজনবা করি তৌশিগে হায়বা হঞ্জিন হঞ্জিন খন্নদুনা থবক ওইনা পাঙথোক্লবগী মহুৎতা হুরান লানাদা অঙম্বশিংগী নাকোংদা হঞ্জিন হঞ্জিন চিরোল তৌবদগী ঙাইহাক লৈতনা উমং লাইগী ৱাথোক অসি থোক্লবা হোৎনরি। হৌজিকসু উকল অমদি মীয়াম্না করিগুম্বা মখল অমত্তগী পামদবা ৱাথোক থোক্তনবা উমং লাইগী মথৌ মঙম নিংথিনা পাঙথোক্লবা হোৎনরকপসি খোঙচেপ হায়দুনা খৎনবা হৌরি।

অনেকপা পন্দিট খরনা লৈবাক ইরাং থোক্লবা শিনবদা লোইশঙ অসি পংথরি। ফীভম অসিদা লমদমসিগী উমং লাইগী ৱাথোক থোরক্তুনা লৈবাক ইরাং থোক্লবদি চহী লিশিং ২ গী মপু শারিবা পন্দিট লোইশঙ চেনবা য়ারক্লোই। মসিগী তৌফম থোকপা মথৌদি পাঙথোক্লিংদবা, মীগী চাকলুক্তা খুজাই থাংজিনবা কাংবু অসি লেম্বা হৈত্রবনি নাৎ অমদি চৎনবীগী থবক্তা খোঙগুল মুৎলক্লগনি। মণিপুর পন্দিট লোইশঙ অসিনা ফুরুপ অসিগী লুরবা লাইথৌ থৌরম লাই হরাওববু য়ানশিন্নরবা থৌরম অমা ওইহন্নবা হোৎনদুনা থৌরম অসি মৈতৈগী থৌরম ওইদনবা ঙমজবী থাক্তা হোৎনরম্বতা নৎতনা লাই হরাওবগী কায়ফদবা মচৎশিং থুগাইদুনা, থমাইদুনা থন্নম্বা অদু মীরোল অসিনা কাওদ্রি।

ফুরুপ অসিগী পুৱারী, ইনাৎ, চৎনবী, লাইনিং অমদি হরাও থৌরম পুম্নমক ৱাখলনা শাগৎলগা মপু ওইনবা হোৎনবতা নৎতনা মঙদা ফাওবা রেজিষ্টার ওফিসকী মথক্তা লিগেল এক্সন লৌগনি হায়রি। অসিগুম্বা কলক মীহৌ চাওবা মীওইশিং অসিনা অঙম অথৌশিংদা চিরোল তৌদুনা হুকামশিনবদা চৎলক্তবদগী পুংশেং শেংনা তরু-তরু লৈজরিবা ঐখোয় পুম্নমক্কী থৱাই ওইজরিবা সনামহি তেম্পল বোর্দ অসিবু নুংশিবা শাদুনা খোমজিনবা হৌরি। সনামহি তেম্পল বোর্দতা খুদোংচাবা পীখিবা য়াই খনবদগী মপু ওইরিবা গোবিন্দজি তেম্পল বোর্দ হুল্লগা সনামহি তেম্পল বোর্দতা চেনশিন্নবা হোৎনরিবশিং ইনাৎ চৎচরিবশিং পংলবসু পংনা অচেৎপা শম্বল খানবা হোৎনমীন্নরসি। ইনাৎ ললোনবশিং অসিনা নিংথৌগী তেম্পল অসিদা চঙলকপা তারবদি কাং-খোং চাইবা হায়বসি শোইদ্রবনি।

গোবিন্দাজি তেম্পল বোর্দকী পন্দিট লোইশঙনা নাৎ, লাইনিং, চৎনবী অমদি উমং লাইগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা খুৎথিংজিনবগী হক লৈরবদি ওপন দিবেট তৌসি। হৌজিক লৈরিবা পন্দিট লোইশঙগী লৈরিবা ফীভমশিং চুমত্রা লানত্রা হায়বদু ময়েক শেংনা তাকপীবা ঙম্বা কোকথোং অমা লৈবাক অসিদা লৈরি। পন্দিটনা হায়রবদি লোইরে হায়বগী চহী চাদু খুন্নাইসিদা লৈত্রে। লোকেল ক্লবকী থাক্লা হেল্লবা করিগুম্বা মখল অমত্তগী লিগেল রাইট লৈত্রবা পন্দিট লোইশঙনি। অসিদসু নৎতনা উমং লাইবু মপা-মচা, মচিন-মনাও পুন্না য়েংমীন্নবা, য়াওমীন্নবা য়াদবা থৌরম অমা ওইহল্লম্বদা নৎতনা খুন্নাইগী মশক পুম্নমক মশক তাক্লিবা হি-য়াই ওইনা লৈরিবা থৌরম অসিবু তিন শিংফম ওহোত্তুনা মাঙনবা শিল্লম্বা খাংতপকী পন্দিটশিংনা উমং লাই অমদি লাই হরাওবগী লৈজরিবা কাংলোনশিং মখা তানা থুগাইদুনা মাঙহন্নবা হোৎনরক্লবদি মীয়াম্না মতিক চাবা পরা তম্বীনবা শেম শাবা লোইরে হায়রি।

অপুনবা নুপী লুপকা মরী লৈনদ্রে

ইম্ফাল , দিসেম্বর ১১ঃ চহী অসিগী নভেম্বর ৯ দা নিংথৌজম নিংথেম, ফিলেম নিংঙোল হৈশনাম ওংবী ৱাঙোলৈমা অনিগী থৌদোক অদুগী মতাংদা মখা তানা ৱাথোক অদুদা অপুনবা নুপী লুপ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মায়কৈদগী মরী লৈনদ্রে হায়না অপুনবা নুপী লুপ (অনুল) বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, নিংথৌজম নিংথেম অপোকপা লৈখিদ্রবা এন কেরানি কৈরেনফাবি ময়াই লৈকাইদা লৈবা অমদি ফিলেম নিংঙোল হৈশনাম ওংবী ৱাঙোলৈমা মপুরোইবা হৈশনাম কিশ্বরকুমার কৈরেনফাবি ময়াই লৈকাইদা লৈবা মীওই অনি অসি অকাম্বা লিচৎ চৎলম্মী হায়বগী মতাংদা ৱাকৎ অমা চহী অসিগী নভেম্বর ৯ দা অনুলদা এন নিংথেমগী মায়কৈদগী ৱাকৎলকখি। অসুম্না মথাং মথাং অমনা অমনা কয়ারক হন্না ৱাকৎনরকখি। ৱাকৎশিং অসিগী মতুংদা আইনগী ওইবা ৱায়েল পীহন্সি। ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা ইমুং মনুং পুন্না তাহোক্লকপদি চুমদে হায়না লুপ অসিনা ৱারেপ লৌখি।

ৱাথোক অসিগী মখা তারকপা ওইনা অপুনবা নুপী লুপ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মায়কৈদগী থৌদোক অদুগী মতাংদা করিগুম্বা হিরম অদুগী মতাংদা মরী লৈনদ্রে। লোয়ননা ৱাথোক অসিদা অচুম্বা পাম্বা খুন্নাই অসিগী ইরৈচা খুদিংমক্কা অচুম-অরান থিদোকপীয়ু হায়না হায়জবগা লোয়ননা মখা তানা ৱাথোক অসিদা অনুলগা হিরম অমত্তদা মরী লৈনদ্রে। করিগুম্বা লুপ অসিগী মায়োক্তা অমুক হন্না শিংনরক্লবদি মসিদা থোরকপা অফ-ফত্তগী দাইত্য খুদিংমক জে এ সি অমসুং কিশ্বরকুমারগী ইমুংনা পুগদবনি হায়না লুপ অসিগী চেরোল অমনা হায়রি।

মিস মণিপুর কন্টেস পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ঃ কেরিয়ার ফাউন্দেসন মণিপুরনা শিন্দুনা মিস মণিপুর কন্টেস ২০১৪ মোইরাংদা দিসেম্বর ২৯ গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তাবদা পাঙথোক্লগনি। হায়রিবা শকহেনবীশিং চাংদম্নবগী কন্টেস অসি চীং অমদি তম অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অসিবু হেন্না চেৎশিনহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদবনি। শরুক য়াগদবা কন্টেস্টরশিংনা মশা মশাগী নাৎকী ওইবা ফিজোলশিং শেৎতুনা শরুক য়াগদবনি। চাংদম্নবা অসিদা শরুক য়াগদবশিংনা দিসেম্বর ১৩ দগী মোইরাং লমখাইদা লৈবা মিস মণিপুর কন্টেস ২০১৪ গী ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী ওফিসতগী ফোর্ম লৌরবা য়াগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক মোবাইল নম্বর ৯৮৬৩৬১৪৪৫৫, ৮৪১৪৮৩৬৫৬৫, ৮৫৭৫৭১৯৮৭৭ দগী খঙবা য়াগনি। কন্টেস অসিদা শরুক য়াগদবশিংনা মশাগী চহী ১৫ দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিং ওইগদবনি। কন্টেস্টরশিংনা য়ুম পান্দ্রিবীশিং ওইগদবনি হায়না কেরিয়ার ফাউন্দেসন মণিপুরগী চেরোল অমনা হায়রি।

শকখং মায়খংনগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ঃ এম এস এফ হেদ ওফিসনা দিসেম্বর ১৪ গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা মণিপুরগী কলেজ ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়নশিংগী মীখলদা মায় পাক্লবশিংগা শকখং মায়খংনবগী থৌরম অমা পাঙথোক্কনি। এম এস এফকী ওফিসতা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা এম এস এফকী মীরেপ ওইখিবশিং অমদি মহৈরোইশিংনা মতম চানা শরুক য়াবীয়ু হায়রি।

অমরোমদা এম এস এফকী ৯ শুবা ফেদরেল একজিক্যুটিভ কাউন্সিল ২০১৪-১৫ গী থৌ পুবা খনবগী থৌরম দিসেম্বর ২০ দা পাঙথোক্লগনি। হায়রিবা মীখল অসি মায় পাক্লা পাঙথোক্লবগীদমক কম্মিটি অমা শেম্লে। হায়রিবা কম্মিটি অসিগী থৌ পুগদবশিং অদুদি এল লুখোইনা চিয়ারমেন, টি ঐচ উদোইনা আর ও, ডা: এন জি জসন্তাকুমারনা এসিষ্টেন্ট আর ও অমদি এল সি রোমেসনা মেম্বর সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরগনি হায়না এম এস এফকী চেরোল অমনা হায়রি।

মিনিষ্টর গোবিন্দাসনা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ঃ মোরেগী মথংদা অতোপ্পা বোর্ডর ত্রেদ তৌনবা জগা অমা ওইনা শেমগৎনবা ঙরাং কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা লুচিংদুনা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী সিংহাৎ সব দিভিজনগী মনুং চনবা বিহাংদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎতুদা হেলঠ মিনিষ্টর ফুংজাথাং তোন্সিলসু য়াওখি। বিহাংদা নৌনা বোর্ডর ত্রেদকী জগা অমা ওইনা শেমগৎকদৌরিবা অসিদা খুলগী নিংথৌনসু দরকার লৈবা লম পীগনি হায়না থাজবা পীরকখ্রে। খোঙথাং অসি সেন্টরনা মোরে নত্তবা অতোপ্পা জগা অমদা বোর্ডর ত্রেদকীদমক শেমগৎনবা হারকপদগী য়েংশিনখিবনি হায়রি।

ꯊꯥꯒꯠꯄ ꯄꯥꯕꯨꯡ ꯅꯕꯀꯤꯁꯣꯔ

THANKING PABUNG NABAKISHORE



After taking the medicines of Pabung Laishram Nabakishore of Sagolband Khamnam Leirak, for 7 weeks, the calculi of 4 mm which was lying in my left kidney has been eliminated. Now, I feel very happy. So, I thank you, Pabung very much, God bless you and may long live!

Sd/- **Homeshwor**
Khurai Lamlong Bazar

NT/62750/12(Dec)

ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ ꯄꯤꯖꯔꯤ/ পাউজেল পীজরি

লিলোং হাওরৈবী ময়াই লৈকাই কনচোংপুর মনিংদা লৈবা মু: কুতুবুদ্দিন মীয়াম্না মনি মাইবা হায়না খঙনবনা পাউজেল পীজরি। মদুদি লাক্লিবা তাং ১৪-১২-২০১৪ ইং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা হান্না লায়েংখ্রবা অহল-নহাশিংদা তাউইজ জন্ত্রা য়োহেকপগী থৌরম ১ পাংথোকচগনি লোয়ননা অনাবা মশা-মশাদগী অনাবা লৌথোকপগী থবকসু পাংথোকচগনি। অসিগুম্বা থৌরম পাংথোকপগী নুমিৎ অসিদা মাইবা ঐনা লায়েংখ্রবা - লায়েংখ্রবী অহল-নহাশিংনা মতম চানা লাকপীদুনা থৌরম অসিবু মপুং ফাহনবীয়ু অমসুং অনাবা ইশা-ইশাগী কান্নবা লৌবীয়ু।

N.B: অসিগুম্বা থৌরম অসিদা অতোপ্পা অনাবা মীওইশিংসু য়াওবীবা য়াগনি। অনাবা মখল শুনা লায়েংজরি।

পাউজেঞ্জরিবা
মুহম্মদ কুতুবুদ্দিন @ মনি মাইবা
লিলোং হাওরৈবী ময়াই লৈকাই
চান্দখোং , থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট

NT/62876/12(Dec)

ꯕꯤ ꯕ꯭ꯔꯤꯛ/ M/S BEE BRICK FIRM
Wangjing Sabal Checkon Leikai

Class	Rate	No.Brick	Amount	Gari Charge	Labour Charge	Total Amount
1st	Rs.9.00	3000	Rs.27,000	Rs.3,000	Rs.600	Rs.30,600
1st	Rs.9.00	2000	Rs.18,000	Rs.2,000	Rs.400	Rs.20,400
1st	Rs.9.00	1500	Rs.13,500	Rs.1,500	Rs.350	Rs.15,350
2nd	Rs.8.20	3000	Rs.24,600	Rs.3,000	Rs.600	Rs.28,200
2nd	Rs.8.20	2000	Rs.16,400	Rs.2,000	Rs.400	Rs.18,800
2nd	Rs.8.20	1500	Rs.12,300	Rs.1,500	Rs.350	Rs.14,150
Rej	Rs.7.50	3000	Rs.22,500	Rs.3,000	Rs.600	Rs.26,100
Rej	Rs.7.50	2000	Rs.15,000	Rs.2,000	Rs.400	Rs.17,400
Rej	Rs.7.50	1500	Rs.12,250	Rs.1,500	Rs.350	Rs.13,100
PT	Rs.6.50	3000	Rs.19,500	Rs.3,000	Rs.600	Rs.23,100
PT	Rs.6.50	2000	Rs.13,000	Rs.2,000	Rs.400	Rs.15,400
PT	Rs.6.50	1500	Rs.9,750	Rs.1,500		Rs.350
Rs.11,600						
3rd	Rs.3.50	3000	Rs.10,500	Rs.3,000	Rs.600	Rs.14,100
3rd	Rs.3.50	2000	Rs.7,000	Rs.2,000		Rs.400
Rs.9,400						
Chektek	4071 Load		4200	1500	350	
3rd	Rs.3.50 6050	1500	Rs.5,250	Rs.1,500		Rs.350
Rs.7,100						

Contact: 1. Yaima : 9615002257, 2. Kanta : 9615839170, 3. Bikom : 9856479022, 4. Ratan : 9856916762.

কলেজ ওঝাশিংগী দাবী থবক্তা ওহোত্রবদি অকনবা খোঙজং হৌরগনি

ইম্ফাল , দিসেম্বর ১১ঃ কলেজ ওঝাশিংনা তাল্লিবা দাবীশিং অসি মণিপুর সরকারনা থবক ওইনা দিসেম্বর ১৭ ফাওবগী মনুংদা পায়খৎত্রবদি মথং নুমিৎ দিসেম্বর ১৮ দগী মখল-মখা কয়াগী অকনবা খোঙজংশিং চঙশিনবা হৌরগনি হায়না ওরেন্টেল কলেজ অলুমনি এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, হৌজিক হৌজিক মণিপুর সরকারগী এদুকেসন দিপার্টমেন্টনা লৌরিবা থৌওংশিং অসিদা পেন্দবদগী ফিরেপ অসি লৌরকপনি। কলেজগী ওঝাশিংবু নাথৈরগা পরিক্ষা পাঙথোক্লিবসি অফবা অচুম্বা খোঙথাং নৎতে। ক্বালিটি এদুকেসনগী অচৌবা মরুওইরিবা ওটোনোমস শক্তম কায়হন্দনবা রিগুলর প্রিন্সিপাল কলেজ ২৮ দা হাপচিনবা, এদুকেসন কম্মিসনর (হায়র) হোংদোকহনবা অমদি কলেজ ওঝাশিংগী দিমান্দ য়াওবা ৱাফমশিং অদুদি, রিগুলর প্রিন্সিপাল কলেজ ২৮ দা হাপচিন্দুনা মহৈরোইশিংবু তংদু লৈতাহন্দ্রবা ফাওবা হান্নগী প্রিন্সিপাল অমদি ওরেন্টেল কলেজ প্রিন্সিপাল হোংদোকপা য়ারোই। অথুবা মতমদা এদুকেসন হায়র দিপার্টমেন্টনা থোকখিবা ত্রান্সফর ওর্দর খুদক্তা কক্কদবনি। অমরোমদা আর আর শুদবা, কলেজ অসিদসু হাংদ্রিবা সবজেক্ট লৌবা মীওইশিং ওরেন্টেল কলেজদা থাংজিল্লকপা, প্রিন্সিপাল ওইহনবা য়ারোই। অথুবগী ওইনা ওর্দর অমা থোক্তুনা হান্নগী ইন-চার্জ প্রিন্সিপাল অসিবু লেঙদনা কলেজ অসিনা অহানবা ওটোনোমস কলেজ ওইরক্লিবসি মপুং ফাহন্নবা লৈহনবীয়ু। মণিপুরগী অহানবা ওটোনোমস কলেজ ওইরক্লবা ওরেন্টেল কলেজ ওটোনোমস অসি সরকারগী অশোইবা থৌশিলনা মরু ফংনা মাঙহন্নবগী লম্বীদা চঙশিল্লক্কদবা লৈরক্লিবসি অথুবা মতমদা কলহৌনবা সরকারনা থৌদাং লৌবীয়ু। হায়র এদুকেসনবু শেঙ্গাবুং অমগুম মীয়ামদা লান্না উহল্লিবা, মতিক চাদ্রে হায়না ৱাথোক ওইরিবা কম্মিসনর অসিবু এদুকেসনগা মরী অমত্তা লৈনহন্দনা থম্বীয়ু। ওটোনোমসপু মরুওইবা ক্বালিটি এদুকেসন পুরকপদা অচৌবা শক্তমশিং, য়াওরিবশিং মীয়ামদা অমদি মহৈরোইশিংদা উহনবা ঙম্নবগীদমক হান্নদগী হৌনা মাং থানা চোংথোরক্লিবা প্রিন্সিপালবু ওটোনোমসকী দাইত্যশিং শিন্নবীয়ু। এমগোক্তাগী মীহুৎশিংগা য়ানবা পুরক্লবা শিন্দুনা মহৈরোইশিংবু নিংথিনা মহৈ তম্বা ফংহনবীয়ু হায়বশিং অসিনি।

খন্ন-নৈনদুনা মান্নবা ফিরেপ লেপমীন্নবা হোৎনরি: *উকল*

আগর্টলা, দিসেম্বর ১১ঃ উমং লাই অমসুং লাই হরাওববু অৱাংবা থাক্তা থাংগৎতুনা লাইবুংগী খুৎথাংদা তংদু লৈতাবা ৱাথোক লৈতবা লমদম অমা ওইহন্দুনা ঐখোয়গী মীয়াম্না মোব জষ্টিসকী মহুৎতা মালেমগী চাওখৎ লমজেলদা হেন্না মাংজিল থানবা হোৎনবরোমদা মায় ওনশিনবা ঙম্বা হোৎনমীন্নবগী অচেৎপা ফিরেপ লেপ্তুনা লৌমীন্নরি। মায়কৈ-মায়কৈদা লৈরিবা উমং লাইগী থৌগল লুপশিং পুনশিন্দুনা উমং লাই অমদি লাই হরাওবগী মরমদা কুপ্পা খন্ন-নৈনদুনা মান্নবা ফিরেপ অমদা লেপমীন্নবা লেপ্তুনা হোৎনরি হায়না উকলগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, উকলনা শিন্দুনা মায়কৈ-মায়কৈগী লৈরিবা উমং লাই থৌগল লুপশিং পুনশিন্দুনা খন্ন-নৈনবগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু খোংজোম মায়কৈদা লৈরিবা উমং লাই থৌগললুপশিংগী ওইবা মীফম অমা খোঙজোম মায়কৈদা লৈরিবা তেকচম সাপম, লংথবাল খুন্নৌ, খোঙজোম অমদি লাঙথেলনচিংবা খুলশিং উমং লাই থৌগল লুপশিংগী ওইবা মীফম অমা খোঙজোম নিংথৌ লাইবুং খোঙজোমদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী মীফম্না কুপ্পা খন্নরবা মতুংদা ৱারেপশিং লৌখ্রে। ৱারেপশিং অদুদি, উমং লাইবু গোবিন্দাজি তেম্পল বোর্দকী মখাদা থম্নবা মমাংগী এসেমব্লি মীফম্না পাস তৌখিবা গোবিন্দাজি তেম্পল বিল হন্দক্কী এসেমব্লি নিংথম মীফম অসিদা হন্দোকপীনবা মরী লৈনবশিংদা হায়জবা। সরকারনা উমং লাইগী ফনবা হোৎনরকপশিং, কষ্টমগী ওইৱশিং নৎতবনা মখা তানা খন্নরগা তেংবাংবা অমদি খোঙজোম মায়কৈদা লৈরিবা উমং লাই থৌগল লুপশিং পুনশিন্দুনা উকলগী মশা লোইশঙ অমা হাংবনি। ৱারেপশিং অসি লৌখিবগা লোয়ননা উকলগী ৯ শুবা মশা লোইশঙ খোঙজোমদা ঙসি হাংদোকখ্রে। ঙসি হাংদোকখিবা মশা লোইশঙ অসিগী থৌ পুগদবশিং অদুদি, শিংগাম কুঞ্জে, লংথবাল খুন্নৌ, মোইরাংথেম তোম্বা এলাইজ সৈনিকতোম্বা লাঙথেল কৈথেল মচা, এম বিদেশ্বর অমদি এস চাউবনা মথংশিৎপা প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরি, ত্রেজরর অমদি এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওইরগনি হায়রি।

[illegible]/VACANCY

Sedulous Group, a brand new company at Imphal is looking for 50 handworking candidates (M/F) for various post given below :–

Sl No	Post	Qualifications	Salary
1.	HOB	Graduate & Above	15,000 to 45,000 p.m.
2.	MT	Matric and Above	5,000 to 15,000 p.m.

Interested candidates may contact with CV at the given address between 10:30 a.m. to 4:00 p.m.

Sd/- SEDULOUS GROUP
C/o M.M. Workshop Building
1st floor, M.G. Avenue, Imphal
# 8132988188

NT/62830/8,10,12

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST, KONTHOUJAM

Ref: Mutation Case. No. 578/ 2014

Loitongbam Uttrani Devi D/o Tomba Singh of Khaidem.
... Petitioner

-Vrs:-

(L) Loitongbam (N) Dhanapati Devi S/o Tomba Singh of Khaidem.
... O.P.s

NOTICE

The 16/12/2014

Under Section 46 (3) of M.L.R. & L.R. Act,1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার Loitongbam (N) Dhanapati Devi, পীং Tomba Singh, সাং Khaidem গী মিংদা লৈবা Imphal West তহলশিগী খুল নং 83-(Khiadem) গী অনৌবা পাট্টা নং 254/664, দাগ নং 59/517 অমসুং এরিয়া .62 চাওবা লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরি লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চংখজরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
Konthoujam

NT/62883/12

ꯑꯣꯄꯦꯟꯁ ꯕꯥꯏꯑꯣ-꯱꯰

Open's BIO-10
Sangaiprou, opposite ISKCON Mandir

ADMISSION OPEN for

1. REVISION COURSE OF BIOLOGY- X FOR HSLCE-2015
Date of Commencement : 6th December, 2014
2. FOUNDATION COURSE OF BIOLOGY- X FOR HSLCE-2015
Date of Commencement : 2nd Week of Jan. 2015

Special Features :
- Exam Techniques & Scoring Techniques.
- Analysis of previous years' questions.
- Printed study Materials.
- Unit Tests & Mock Test.

TUTOR
MONGJAM OPENDRO (OPEN) SINGH
Lecturer in Biology, Boards' Examiner
Faculty of ITC, Singjamei
CONTACT NO : 8974816492

NT/62388/14to4(Dec)